হুইয়েন লানপাউ
নিংথৌকাবা, জান্যুৱারী ২৩, ২০১৭, ইম্ফাল
৪০ শুবা চহী, ২৮৭ শুবা মশীং

# য়ু এন সীগা ট্রাইপর্তাইট টোক

## *মণিপুর, সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্ট য়ু এন সীদা কূন্থরে*

***দিমোক্রেসি*** চৎপা ইন্দিয়াগী লৈমায়দগী আর্মদ ফোর্সেস স্পেসল পৱারস এক্ট লৌথোকউ, পীশক পীকপা লান্মী অমগী খুদোম্বীদা মীচম মীয়ামগী পুন্সি শীন্নবা য়ারোই হায়দুনা চহী ১৬ চূপ্না চরা হেন্দুনা প্রোটেষ্ট তৌরকখিবী ইরোম চনু শর্মিলাগী ৱাকৎ সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা তাবীখিদে। লৈবাক অসিগী মীয়াম্না বাপুজি হায়না মিঙ্গৌনরিবা মহাত্মা গান্ধীনা ইন্দিয়া নিংতমহন্নবা হোৎনবদা খুৎলায় ওইনা শিজিন্নখিবা সত্যগ্রহ হৌজিক্কী মীরোলনা মৱা লৌখিদ্রে হায়বগী অচঙবা খুদম অমা ওইনা চহী ১৬ চরা হেল্লক্লবী ইরোম শর্মিলা চনুগী খোঙজং মায়ওন হোংহল্লকখি। চহী ১৬ নুপী অমনা মচিন্দা করিমত্তা চাদনা চত্থরকপা প্রোটেষ্টতা না তাথীরবা গভর্ণমেন্ট ওইদুনা লাকখিবা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা হৌজিক্তি য়ুনাইটেদ নাগা কাউন্সিল (য়ু এন সী) গী লোনা য়াদবা মখলগী প্রোটেষ্টতা লোনা য়াবা কাঙবু অমনা চত্থবা খোঙজংগুম্না ফমদুনা লৈবা ঙমদ্রে। নেসনল হায়ৱে নৎত্রগা লম্বী অমদা কনাগুম্বনা ইকনমিক ব্লোকেদ চত্থবা হায়বসি মীওইবগী মায়োক্তা চত্থবা ক্রাইমনি হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রে। অদুবু ক্রাইম চত্থরিবা কাঙবু অদু লাকশিল্লু, মখোয়বু মরূ ফংনা মুত্থৎপদা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা মতেং পাংগনি হায়বা ৱাহৈ অমত্তা মণিপুর লৈঙাক্তা হায়রকখিদে। মদুগী মহুত্তা নাকল অহুমগী ৱারী শানগদবনি হায়বরোমদা চৎখ্রে। হৌজিক্তি য়ু এন সীনা মণিপুরগী নেসনল হায়ৱেশিংদা লোনা য়াদবা মওংদা নুমিৎ ৮৪ নি শুরবা ইকনমিক ব্লোকেদ তৌরিবসিদি কাওথোকপীখ্রে। লৈবাক অমগী মনুংদা লৈবা এস সী ও অমনা প্রোটেষ্ট তৌবদা লৈবাক্তুদা লৈরিবা মীপূম খুদিংমক রেন্সমদা দিমান্দ তৌবগী চৎনবী সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা পুক্নিং থৌগৎলে। দিমোক্রেসিগী ফিবান্নুংদা লোনা য়াবা মখলগী প্রোটেষ্ট তৌবদনা মীৎচিনা ফাওবা য়েংবীদ্রগা ঈ-নাই তানবা, তংদু লৈতাহন্দবা ফুরুপ অমগা ফুরুপ অমগা লানশিংনবা কাঙবুগী ক্রিমিনেল ওইবা থৌওংনা পুক্নিং থৌগৎপরোমদা চৎপা তারবদি লৈবাক অসিগী মরাইৱক করি ওইগনি হায়বা ঙমদে। ওন্থোকপনি মণিপুরদা পোল্লুবা!

য়ু এন সীনা সদর হিলস দিষ্ট্রিক্ট শেমদনবা মাঙজৌননা নাগানা নম্না তাবা মফমশিংদা পুং ৪৮ গী টোটল সটদাউন্দ চত্থখি। মীখলগী মতম ওইবনা তৌহৈদবা থবক তৌরক্লোই হায়না খন্নরিঙৈগী চৈরক্তা অহিং অমদা কেবিনেটকী মীফম ফম্লগা মণিপুরদা অনৌবা দিষ্ট্রিক্ট তরেৎ শেম্বগী ৱারেপ লৌখি। য়ু এন সীনা চত্থরিবা মতম কক্তবা ইকনমিক ব্লোকেদ অসি অনৌবা দিষ্ট্রিক্ট তরেৎ শেমখ্রবা মতুংদা চত্থবা হৌবা ওইরম্লবদি হায়ফেৎ মরম চাবনি হায়না লৌরম্বা ফাওবা য়াবনি। অদুবু দিষ্ট্রিক্ট লাউথোক্ত্রিঙৈ মমাঙদগী হৌনা ইকনমিক ব্লোকেদ চত্থরকপসিনা তাক্লিবদি এজেন্দা অমগী মরুমদা ইকনমিক ব্লোকেদ অসি চত্থবনি হায়বসিনি। য়ু এন সীগী অরোনবা এজেন্দা করিনো হায়বদু হৌজিক্তি মীয়াম্না ময়েক শেংনা খঙলে। মদুদি আসামগী শরুক খরা, অরুনাচলগী শরুক খরা অমসুং মণিপুরদা নাগানা নম্না তাবা লমগী শরুকশিং পুনশিল্লগা অতোপ্পা নাগাগী লৈঙাক অমা শেমগে হায়বদুনি। পান্দম অসি ফংননবা হোৎনবদা কনাগুম্বা লূপ অমনা মীওই কয়া হাৎখ্রে, পান্দম অসিবু পামদবা মীওই কয়া শোইনাইবা পুন্সি মরেলদা লেল্লি। মচিন-মনাও লানশিংনবদা হালেংবা লৈতবা কাঙলুপ ওইরক্লে। অসিগুম্বা লূপ অসিগা মণিপুর লৈঙাক্কা কৈদৌঙৈদসু ৱারী শানফম থোক্তবদা হৌজিক্তি তপ্না তপ্না সেন্টরনা খুজি-খোংজি লাকতুনা চিংশিল্লগা পুরে। মতাং অসিদা হংজনিংবা ৱাফমদি চীফ মিনিষ্টর ওক্রম ইবোবীনা লুচিংবা লৈঙাক অসিনা মণিপুরগী অপুনবগী শক্তম অমসুং ঙমখৈ ঙাক্লনবা হোৎনবদা পুকচেল শেংনা থেংনগনি হায়বা ৱাফমদু কদায়ফাওবা ঙাক্লা চৎখিগদগে? লৈবাক্কী মায়োক্তা থবক তৌবা, মণিপুরগী শক্তম থুগায়নবা হোৎনবা কাঙবুগা ৱারী শানরোই হায়বা চীফ মিনিষ্টরগী থম্মোয়দগী থোরকপা নুংশিখ্রবা ৱাফমশিং অদু ঙসিদি মীখল ময়াসিদা মাংখ্রবরা? ৱাথোক অসি শাংদোরক্ত্রিঙৈ ঙল্লিঙৈ মতমদা য়ু এন সীগা ৱারী শানবগী ৱাফম অমফাওবা পন্দ্রগা হৌজিক্তা সেন্টরদগী পি আর থম্বগী ঈঙ্গিৎ পীরকপদা মশানা লৌখিবা ৱারেপ কাওথোল্লবরা? মীয়ামগীদি পি আর নৎত্রগা পোপ্যুলর গভর্ণমেন্ট অমগী ৱাফম করিসু লৈতে। মণিপুরগী অপুনবগী শক্তম অমসুং ঙমখৈ কায়হন্দনা থম্বগী চপ চানা লৌবা ৱারেপকী মখাদা থবক তৌবদুনি।

## ••• এডিটরদা থারকপা চিঠি •••

### খন্ন-নৈনবদা পব্লিকসু য়াওহনবীয়ু

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

**মণিপুরদা** লৈরিবা টি ভি চেনেলশিং- দি দি কে, আই এস টি ভি, ইম্পেক্ট, ইমেজনচিংবশিংনা মতম মতমগী ওইবা লৈবাক্কী ইশ্যুশিং/ৱাফমশিং খন্ন নৈনরকপগী প্রোগ্রাম পাঙথোকপা মতমদা এক্সপার্ট পেনেল মেম্বরশিং অমদি এঙ্করদা নত্তনা মীয়ামসু য়াওহন্দুনা খন্ন নৈনবদা মশা মশাগী অনিংবা অপাম্বা ফোঙদোকপা য়ানবগী খুদোংচাবা শিনবিয়ু হায়না মরী লৈনবশিংদা নীংশিংজরি।

পীক্লবসু পীক্লা ঐখোয়গী টি ভি চেনেলশিংনা ঐখোয়গী লমদম চীংলৈবাক অসিদা য়াম্না মপূং ফাবা মায়কৈদা নেসনলগী থাক্তা লৈরিবা টি ভি চেনেলশিংনা তৌরিবা প্রোগ্রামগা চাংদম্নবা য়াবা মওংদা মীয়ামগী থৌগল তৌরিবসিদা মীয়াম্না অপেনবা পোকচৈ। খরা হেন্না মীয়াম্না পব্লিক দিষ্কসনগী প্রোগ্রামশিং মীয়াম্না য়াম্না তানিংবা, খঙনীংবা ওইবনা হেন্না মপূং ফাহন্নবগীদমক্তা, অতোপ্পা মপানগী টি ভি চেনেলশিংদা তৌবগুম লোকেল টি ভি চেনেলশিংনা মীয়ামসু য়াওহন্দুনা মত ফোঙদোকপা য়ানবগী তাঞ্জা পীবিরবদি দিষ্কসনগী প্রোগ্রাম অসি মায় পাক্কনি, হেন্না মীয়াম্না পাম্নবা মরুওইবা প্রোগ্রাম অমা শোয়দনা ওইগনি থাজে। লোয়ননা প্রোগ্রাম অসিসু হেন্না মশক থোকপা হেনগনি, মপূং হেন্না ফাগনি হায়জনীংই।

অতোপ্পা ৱাফম অমনা টি ভি চেনেলশিংনা লৈবাক্কী ওইবা ৱাফমশিং হেন্না কুপথনা, মমুৎ তানা খন্নবগী তাঞ্জা লাকপদা এক্সপার্ট পেনেল মেম্বরশিং খনবা মতমদা মীওই অদুগী বেকগ্রাউন্দ অমদি সবজেক্ট স্পেসিএলাইজেসননচিংবা খরা য়েংহঞ্জনীংই। মরমদি করি করিগুম্বা মতমদা পেনেল মেম্বরশিংগী মরক্তা অৱাৎপা, অশোনবা ৱাফমশিং থেংনদবা নত্তে, মসি থোকহঞ্জনীংদে। মসিদা টি ভি চেনেল অদুগী মেনেজমেন্টগী হৈশিংবা ৱাৎপগী মমি চাউনা তাই। মগুন লৈবা টি ভি চেনেলশিং ওইহন্নবগীদমক্তা মীয়ামগীদমক্তা মতম মতমগী ওইবা কান্না কান্নরবা, অফ-অফবা, মপানগী টি ভি চেনেলশিংনা তৌবদগী তাদবা প্রোগ্রামশিং শন্দোকপীবা ঙম্বীদুনা চীং লৈবাক অসিদা লৈরিবা মীয়ামসু চৎনবা য়াবা ঈ-পাউ, থৌদোক ৱাথোকশিংনচিংবা খঙবা মীওইশিং ওইহনবীদুনা মতম শাংনা মীয়ামগী থৌগল তৌবা ওইবিয়ু হায়জনীংই।

*অদোমগী - টি ঐচ রঞ্জিৎ, থাংমৈবন্দ*

**হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৪০**

১। মণিপুরী লোনগী লাইরিক্তা ইহান হান্না সাহিত্য একাদেমি এৱার্দ পীখিবসি করম্বা চহীদনো?
২। অইবা এলাংবম রজনীকান্ত করি লাইরিক্তা একাদেমি এৱার্দ ফংখিবগে?
৩। ‘‘কমদৌই? / হিংমিন্নবদি অমুক্তা পূন্না / ঐখোয় ঈশেন চান্ননা।’’ ৱাহৈশিংসি অইবী নুপী কনানা হায়বনো?
৪। বাংলা নোভেল 'Jai Jayanti' বু মণিপুরীদা হন্দোকপা হন্দোকলোয়দু কনানো?
৫। ‘খ্বাইগী হোটেল’ কৌবা দ্রামাদু কনানা ইবনো?

ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জান্যুৱারী ২৭, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী ড্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা খুদোলপোৎ পীজগনি।

## *লৌমীশিংগী কাখল*

# হঙ্গাম অমদি কোবীদা তাগনবা লায়না

ডা: এম থোইথোই সিংহ

**নিংথম** মনা-মশিং - হঙ্গাম, কোবীনচিংবা পান্বীশিংদা তাগনবা লায়নাশিং ইমান মান্নে। অদুমকপু কোবী থমচেৎ মানবীদা য়াম্না তোয়না তাগনবা লায়নাশিংদি *ক্লব রূট, লিফ স্পোট, স্কেলরোটিনিয়া ষ্টোক রোট* অমসুং বেক্টরিয়ানা থোকহনবা *ব্লেক রোট*নি। অতোপ্পা কোবী হঙ্গামনচিংবা পান্বীশিংগী মরুওইবা লায়নাশিংদি *ডাউনি মিলডিউ, হ্বাইট রষ্ট, পাউদরি মিলডিউ, কেবেজ য়েলো* অমসুং কোবীদা য়াম্না তোয়না তাগনবা মখোঙ মুবী লায়না ‘‘*ব্লেক লেগ*’’ মমিং পনবা য়াই।

**ডাউনি মিলডিউ ঃ**

লায়না অসি হঙ্গাম, গাজর, কোবী, কোবী থমচেৎমানবী অমসুং হঙ্গাম মুলানচিংবা মনাগী মখা থংবা শরুকশিংদা লায়নাসিগী দাগশিং উই। অৱাওবা কোনা মচুগী দাগশিং ওইনা লৈ। *পর্নোস্পোরা পেরাসাইটিকা* হায়না খঙনবা কোকফাই অসিনা থোকহনবা দাগশিং চাউবা হেনগৎলকই, দাগ খরনা পীকশিন্না শুংজিন্না লৈ। অপীকপা লশিং মফোল নপ্পা মাল্লি। মথক থংবা মনাগী শরুক্তগী য়েংবদা দাগ খুদিংমক্কী মপাশিংদু নাপু চঙনা ঙাঙলৈনবা দাগশিং লৈরবা উগনি।

**ঙাকথোক্লবা পাম্বৈ ঃ**

হীদাক তোৎহৌবা ফৈ। কপ্তান নৎত্রগা থিরাম গ্রাম ২.৫ মরু কিলোগ্রাম খুদিংদা তোৎহৌগনি। লায়না অসিনা য়াম্না কন্না লাকশিন্দ্রিঙৈদা Mancozeb 75% WP নৎত্রগা Zineb 75% WP গ্রাম অনী ঈশিং লিটর খুদিংদা য়ানবীরগা নুমিৎ নিপান্নি কান্ননা অনীরক কাপ্পীগনি। লায়না পল্লবা পান্বীগী লেমখাকশিং খোমজিল্লগা মৈ থাদোকপা নৎত্রগা ফুমজিনবীগনি। চহী অহুমগী মনুংদা থারিবা পান্বীশিংদা, হঙ্গাম কোবী কাঙলুপকী পান্বী অমুখক্তং য়াওহনবনা হঙ্গাম কোবীগী লায়না তাবা হন্থে।

**হ্বাইট রষ্ট ঃ**

কোকফাইনা থোকহনবা লায়না অসি হঙ্গাম কোবীগী কাঙলুপ খুদিংদা তাবা লায়নানি। মনাশিংদা ঙৌনা লাংবা দাগশিং উগনি। নকশিল্লগা য়েংবদা তোংথোক্লা লৈ। মিলিমিটর অনী ফাওবা পাক চাউই। মপূং ফারবা দাগশিংদা পাউদর মানবা মফোলশিংনা পান্বীগী শরুক অয়াম্বা কুপশিল্লকই। মপূং ফানা লায়না অসি পল্লবা হঙ্গাম পাম্নদে। মপাল শারকপা মতমদা লায়না অসিনা মপাল পূম্বা কুপশিনখিদুনা মরু চঙবা ঙমহন্দে। মওং মরীল নাইহন্দে। পোত্থোক য়াম্না হন্থহল্লি।

**ঙাকথোক্লবা পাম্বৈ ঃ**

ডাউনি মিলডিউগা মান্নে। লায়না অনীমক পান্বী অমত্তদা পূন্না তাগল্লি। ঙাকথোক্লবা পাম্বৈসু মান্নবা মরম্না অমা ঙাকথোক্লবা হোৎনবদা লায়না অমসু ঙাকথোকপা ঙমগনি।

**পাউদরি মিলডিউ ঃ**

লায়না অসিগী লায়ওং লৌমী খুদিংনা খঙই হায়বা য়াই। লায়ওং অসি মরী চৎপা পান্বীশিং খোঙদ্রুম, মাইরেন, শেবোৎ অমসুং হৱাই থরাক্লচিংবদসু য়াম্না তোয়না উই। লায়না অসিনা তাবা হৌরকপদা মনাশিংদা অঙৌবা মফোলগী মপাক মপাক লৈরম্বদগী পান্বীশিংগী শরুক অয়াম্বা পাউদরগুম্বা অঙৌবা মফোন্না কুপশিনগনি। মনা পাকপগী চাং হন্থরক্কনি। মনা কেনগল্লি।

**ঙাকথোক্লবা পাম্বৈ ঃ**

নুমিৎ ১৫ নি কান্ননা Karathane (Dinocap) 25 মিলিলিটর মঙা ঈশিং লিটর ১৫ খুদিংদা নৎত্রগা Wettable Sulphur 80% WP গ্রাম অনী ঈশিং লিটর খুদিংদা য়ানবীরগা অনীরক কাপথোকপীরবদি লায়না অসিদগী মপূং ফানা ঙাকথোকপা ঙমগনি। নৎত্রগা Myclobutanil 10% WP (Index) গ্রাম ৬ (তরুক) ঈশিং লিটর ১৫ খুদিংদা য়ানবীরগা নুমিৎ ১৫ নি কান্নরগা অনীরক কাপথোকপীগনি। Sulphur কাপ্পা য়াদবা পান্বীশিং খুদম ওইনা অঙ্গুর, এপল, খোংদ্রুম, মাইরেন, তোর্বোট, শেবোৎনচিংবদসু Myclo-butanil শীজিন্নবা য়াই।

**কেবেজ য়েলো ঃ**

ফুজেরিয়ম হায়না খঙনবা কোকফাই মখল অমনা থোকহনবা লায়নানি। লায়না অসিনা নারবা কোবী পান্বী নাপু চঙলকই। পান্বী পূম্বা নাপু চঙবা য়াই নৎত্রগা পান্বীগী শরুক তঞ্জায় অমতং নাপু চঙবা য়াই। চাউদম থীল্লি। মনাশিং কোনশিল্লি, কেনগল্লি। নাপু চঙলবা মনাশিং মুশিল্লকই, কঙশিল্লক্তুনা কেনবা য়াওরকই। বেক্টরিয়ানা থোকহনবা ‘ব্লেক রোট’ লায়ওংগা য়াম্না মান্নবা মরম্না লায়ওং লেপ্পদা চমন্নবা তোয়না থোকই। হীদাক ওন্ননা থাবদগী ফবা ঙমদবা তোয়না থেংনৈ। লায়না অনীগী খেন্নবসি ‘ব্লেক রোট’ না নাপু চঙহল্লবা মনাগী শরুক্তা লৈরিবা মশিংশিংদু মুগনি। ‘কেবেজ য়েলো’ না থোকহনবা ওইরগনা মশিংশিংদু নাপু চঙগনি।

**ঙাকথোক্লবা পাম্বৈ ঃ**

লায়না অসি তাগনবা মফমদগী চারা লৌবীরোইদবনি। লায়না চেল্লবা পান্বীশিং ইশাগী ইঙ্খোলদা পুনিবীদনবা হোৎনবীগনি। লায়না তারবা পান্বীশিংগী মখোঙ চোৎনবা অমসুং Cymoxanil অমসুং Mancozeb কী হীদাক Font Cuzate গ্রাম অনী ঈশিং লিটর খুদিংদা য়ানবীরগা কাপথোকপীগনি।

**ব্লেক লেগ ঃ**

কোবীগী মখোঙমুবী লায়নানি। লৈমায়গা নক্লনা লৈরিবা কোবী মখোঙশিংদা কোনা মচুগী অকংবা দাগ মচাশিং লৈবা উগনি। দাগশিং চাওখৎলকপগা লোয়ননা কোবী মখোঙদু খ্বাংলি লাকপা মালহল্লি। মফম অমুক্তদা য়ুংনা য়ুংনা চেকখাইরকই, মুশিল্লকই। মখা থংবা মরাশিংদগী পৎপা হৌরকই। মনাদা লৈরিবা দাগশিং অমুবা মকুপ মকুপ পল্লকই। মকুপশিংদু মখা তানা লায়না শন্দোক্লবা কোকফাই মরুশিংনি।

**ঙাকথোক্লবা পাম্বৈ ঃ**

মরুগী মকু অমসুং মনুং থংবা শরুক্কী মরক্তা লায়না অসিবু থোকহনবা ঙন্বা *‘ফোমা লিঙ্গম’* হায়না খঙনবা কোকফাই শুজা অসি লোয়নরকই। মরম অসিনা লায়না চেল্লবা পান্বীগী লেমখাকশিং তাশিন খোমজিন্দুনা মৈ থাদোকপা অমসুং ফুমজিনবা কাউবীগনু।

**ক্লব রুট ঃ**

কোবী অমসুং কোবী থমচেৎ পান্বীগী মরাশিং চাওথোরকপগা লোয়ননা মনাশিং নাপু মচু চঙলক্কনি। পান্বীশিং পন্থদুনা লৈরগা নুমিদাংগী মতমদা তেকখৎলকই। পীক্লিবা পান্বীশিংদি লায়নাসিনা হাৎলি। পান্বীনা চাওখ্রবদি হাৎপা ঙমদে অদুবু মপূং ফাবদি ঙমলোই। পান্বী অমগী মরাশিংদু পুনশিল্লগা মপূম ওইনা চাওথোকপা য়াওই। করিগুম্বদা অমমমতা ওইনা চাওথোক চাওথোক্লা লৈবা য়াওই।

**ঙাকথোক্লবা পাম্বৈ ঃ**

হীদাক কাপ্পনা ফহনবা ঙমদে। লৈবাক্কী অশিনবগী চাং হন্থহনবা ফৈ। লৈবাক্তা উৎ খরা হাপচিনবা কান্নে। লায়নাসি তাখ্রবা মফমদা কোবী মখল অমত্তা থাদবা ফৈ। কোবী থারিবা মফমদু ঈশিং তুংহল্লোই অমসুং শুনু চাইরগা PH 7.2 য়ৌহল্লবদি লায়না থোকহল্লিবা কোকফাই মরুদু হৌবা ঙমদে। লায়না শন্দোকহন্দবা য়াই।

**লিফ স্পোট ঃ**

কোবী মখল খুদিংগী মনাশিংদা অমুবা দাগ মচা মচা লৈরম্বদগী দাগশিং চাওথোরকপা অমসুং মনাগী অয়াম্বা শরুক্তা দাগশিংনা কুপশিল্লকপা তোয়না থেংনৈ। Alternaria leaf spot হায়নসু খঙনৈ।

**ঙাকথোক্লবা পাম্বৈ ঃ**

Mancozeb 75% WP গ্রাম ২৫ ঈশিং লিটর ১৫ খুদিংদা য়ানশিল্লগা Sticker মিলিলিটর ৫ সু য়ানশিল্লগা মনাশিং চোৎনবা কাপথোক্কনি।

**স্কেলরোটিনিয়া (Sclerotia) ষ্টোক রোট ঃ**

লায়না অসিনা পান্বীগী মখোক, মখোক্কা তাইনরিবা মফমশিংদা পথহল্লি অমসুং কোকফাই কাখৎলকই।

**ঙাকথোক্লবা পাম্বৈ ঃ**

Trichoderma culture গ্রাম ১০ ঈশিং লিযর ১৫ খুদিংদা য়াল্লগা কাপথোক্কনি নৎত্রগা Taqat (Heaconazole + Captan) গ্রাম ২০ ঈশিং লিযর ১৫ খুদিংদা য়াল্লগা কাপথোকপসু য়াই।

# ফৌরক্তা ঙানু থাদোকপগী কান্নবশিং

ডা: সরাংথেম জেম্মারাণী





***ঐখোয়গী*** লমদমসিদদি চাক্লা মরুওইনা চান্নবনা ফৌসি মফম খুদিংমক্তা থানরি। হৌজিক্কী মতমদদি ফৌ থাবা মতমদা হার হাপ্পনা মমাঙ থানা চৎলি। মরমদি ষষ্ঠি-ষণয়ুংসি মরাং কায়না ফংদবনা। ষষ্ঠি-ষণয়ুং নৎত্রগা অতোপ্পা ওক, হামেঙ, ঙানু, য়েন অসিনচিংবগী মথি-ময়ুংসু হার ওইনা শীজিন্নবা য়াই। হৌজিক্কী মতমসি ওর্গানিক ফার্মিংলোমদা মায় ওনশিনবা মতমনি। মরম অসিনা শা-ষণ, য়েন, ঙানু ময়ামসি য়োক্তুনা রসায়নগী হার হাপ্পগী মহুত্তা মথি-ময়ুং ময়ামসি শীজিন্নদুনা ফৌ হেন্না পুথোক্লবা হোৎনবা অমদি ফৌদা তাবা তীল-কাঙ ময়াম অসিসু ঙানুগা ফৌগা পূন্না য়োকমিন্নরগা ঙানুগী মচিঞ্জাক ওইদুনা হেন্না শেন্দোং লৈবা ফার্মিং সিষ্টেম অমা ওন্থোকপা য়াই।

ফৌগা ঙানুগা য়োকমিন্নবনা ফৌগী পোত্থোক হেনগৎপদা নত্তনা ঙানু য়োকপা মতমদসু মচিঞ্জাক ইচং চঙদনা ঙানু মরুম অমদি ঙানু মশা চাবগীসু হেন্না খুদোংচাবা ফংবা ঙমগনি। মসিদসু নত্তনা ঙানুগী মথিনা ফৌ পান্বীনা চঙগদবা অয়াম্বা ন্যুত্রিয়েন্ট পীবা ঙমহল্লি। ঙানুগা ফৌগা পূন্না য়োকমিন্নবা মতমদদি পামফেন্দগী লীংবনা হেন্না ফৈ। পামফেন্দা তৌবসিনা ঙানুনা চৎপা মতমদা ফৌ নেৎথৎপগী চাং য়াম্না ৱাংই। ঙানুশিং চৎথোক চৎশিন্দা নুংঙাইহন্দে। ফৌ লীংবা মতমদসু 20 cm x 20 cm গী চাংদা লীংবনা হেন্না ফৈ। মসিনা ঙানুনা ফৌরক্তা চৎথোক চৎশিন তৌবা মতমদা ফৌ নেৎশিনবগী চাং য়াম্না হন্থহল্লি।

**ঙানু ফৌরক্তা থম্বগী মতম ঃ**

ফৌ লীংখ্রবা নুমিৎ ২৫ নিগী মতুংদগী ঙানু মচা নুমিৎ ২০ দগী থা অমা ফাওবসি ফৌরক্তা থম্বীবা য়ারে। লৌ পরি অমদা ঙানু ২০০-৩০০ ফাওবা থম্বা য়াই। অহানবা নুমিৎ ৭ নিদি নোংমদা পুং ২-৪ ফাওবদং থম্বীগদবনি। মসিগী মতুংদা অয়ূক্তা পুং ৮-৯ দগী থাদোকপীরগা নুমিদাংৱাইরম পুং ৪-৫ দা লোইশিনবীবা। হায়রিবা মতমসিদা অতোপ্পা শাশিংনা ঙানু চাখিদনবা চেকশিনবীগনি। ফৌনা লংচাক লাকপা মতমদা ঙানুশিংসি ফৌরক্তা চাবদগী তোকহনবীরগা অতোপ্পা মফমদা থম্বীদুনা মখা তানা লোইবীবা য়াই।

**ফৌগা ঙানুগা পূন্না লোইমিন্নবগী কান্নবশিং ঃ**

- পান্দোং অমদা য়াওগদবা ফৌ মচাশিংগী মশীং হেনগৎহল্লি। চরোং অমদা য়াওগদবা ফৌগী মশীংসু হেনগৎহল্লি। মসিদসু নত্তনা চাংচত্তা লুমগদবা ফৌগী অরুম্বগী চাং অমদি ফৌথোকসু হেনগৎহল্লি।
- ফৌরক্তা লৈবা মখল কয়াগী তীলশিং ঙানুনা ফাদোকহল্লি। শম্না চহী মরি মঙাসিদা য়াম্না তোয়না থেংনরিবা মখল কয়াগী হোপরশিং ফাদোক্তুনা তীলশিং তাবগী চাং য়াম্না হন্থহল্লি।
- ফৌরক্তা চোংখৎলকপা অনৌবা নাপী অমদি নাপীগী মরুশিং ঙানু মচিন্না হন-হন্দুনা চারবনিনা নাপী হৌবগী চাং অদুক্কী মতিক হন্থহল্লি। মসিদসু নত্তনা ঙানুনা চৎপা মতমদা ঈশিংদা ওক্সিজেন মরাং কায়না ফংহন্দুনা ফৌ পান্বীদু শাহৌ ফনা হৌবা ঙমহল্লি।
- ঙানু মথিনা লৈবাক লৈহাওদা য়াওবা নাইট্রোজেন, পোটাসিয়ম, ফোসফোরস, কেলসিয়ম অমদি সলফরগী চাং ৱাংহনবা ঙম্মী।
- ঙানুনা ফৌরক্তা চৎপা মতমদা লৈবাক্তা নুংশিৎ নুংশা চঙহনবদা অচৌবা মতেং পাঙই অমদি ফত্তবা গ্যাসশিং ফমজিন্দুনা লৈহন্দে।
- ঙানুগী মচিন্না হন-হন্দুনা চাবদা লৈবাকশিংদু হোম হোম লাউহল্লি অমদি চৎপা মতমদা ন্যুত্রিয়েন্ট ময়াম ফাজিন্দুনা থম্বা ঙমহল্লি।
- ঙানুসু ফৌরক্তা লৈরবনিনা অফং অফংবা মখল কয়াগী মচিঞ্জাক ফংবনা য়াম্না থুনা চাউহল্লি অমদি অহেনবা মচিঞ্জাক পীজবগী চাং হন্থহল্লি।
- ফৌগা ঙানুগা পূন্না য়োকমিন্নবসিনা ইনকম হেন্না লাকহল্লি। ফৌ থাবদা চঙগদবা শেঞ্জং হন্থহল্লি। মসিনা মরম ওইদুনা ফৌথোক হেনগৎহল্লি। মসিগী মথক্তা ঙানুদগীসু অহেনবা শেন্দোং লাকহল্লি।
- ফৌগা ঙানুগা পূন্না য়োকমিন্নবনিনা ইন্সেক্টিদাইদ, কেমিকেল ফর্টিলাইজরগী চঙগদবা চাং হন্থহল্লি।

কৃষি বিজ্ঞান কেন্দ্র, থৌবালনা ফার্মরস ফিল্ডদা ত্রাইয়েল তৌবা মতমদা ঙানুখক্তা লোয়বা মতমদা লাক্লিবা বিনিফিট কোস রেসিওসি ১:১.৪ নি অদুগা ফৌখক্তদনা ১:১.৩ নি। অমরোমদা ফৌগা ঙানুগা পূন্না য়োকমিন্নবা মতমদা হায়বদি ফৌ পরি অমদা ঙানু ২০০ গা পূন্না য়োকমিন্নবদা ফংলিবা রেসিওসি ১:২.২ নি।

অসুম্না অমমম লোইবগী মহুত্তা পূন্না লোইবনা শেন্দোং লৈবা হেল্লি অমদি অকোয়বগী ফীভম ফগৎহনবদা নত্তনা ওর্গানিক ফার্মিংলোমদা খোঙ থাংজিন্দুনা অফবা চিঞ্জাক পুথোক্লবা হোৎনবদা অচৌবা মতেং পাঙবা ঙমহল্লি।